# ওগষ্ট ৩১দা অসামগী এন আর সিদা মিং য়াওদবা মীওইশিংগী লিষ্ট ওন লাইনদা ফোঙনবা খঙহনখ্রে




ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১৩ (এজেন্সী): অসামগী নেসনল রেজিষ্টর ওফ সিটিজন্স (এন আর সি)দা মিং য়াওদবা মীওইশিংগী লিষ্ট ওগষ্ট ৩১দা শুপ্নগী ওন লাইনদা ওইনা ফোঙনবা সুপ্রিম কোর্টনা য়াথং পীখ্রে।

চীফ জষ্টিস রঞ্জন গোগোই অমসুং জষ্টিস আর এফ নরিমানগী বেঞ্চ অমনা হায়খি, আধারগী দেটাগা মান্নবা মওংদা এন আর সিগী মতাংদসু মতিক চাবা থৌরাং লৌখৎপা মথৌ তাই।

অসামদা হৌজিক হৌজিক চত্থরিবা এন আর সি ফোঙনবগী থৌরাংদা শীংনরকপা পুম্নমক কোর্টনা খুৎ থিংজিনবা মরম চাদে। হান্নদগী হৌনা এন আর সিগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিং সুপ্রিম কোর্টকী মীৎয়েং খাদা পায়খৎতুনা লাকখিবনি। কোর্টতা থৌরাং অসিগী মায়োক্তা শীংনরকপশিং হৌজিকমক্কী ওইনা ৱায়েল চত্থনবগী খুদোংচাবা লৈতে হায়নসু বেঞ্চ অসিনা ফোঙদোকখি।

অসাম লেজিসলেটিব এসেম্বলীদা এন আর সিগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিং নাথৈদুনা থমখিবগা লোয়ননা সুপ্রিম কোর্টনা হায়খি মদুদি, হান্না লেপ্লখিবগী মতুং ইন্না ওগষ্ট ৩১দা এন আর সিগী ফাইনেল লিষ্ট ফোঙনবা থৌরাং লৌখৎকদবনি। তোঙান-তোঙানবা মায়কৈ কয়াদগী ফোঙদোক্লরক্লিবা ৱাফমশিংদা কোর্টনা মীৎয়েং চঙবগী মথৌ তাদে। অপীবা মতমগী মনুংদা অসামগী অশেংবা সিটিজনশিংগী ওইবা লিষ্ট ফোঙগদবনি হায়না সুপ্রিম কোর্টনা মখা তানা খঙহনখি।

জুলাই ২৩দা এপেক্স কোর্টনা এন আর সিগী ফাইনেল লিষ্ট ফোঙবগী মতম ওগষ্ট ৩১ ফাওবা শাংদোকহনখি। চাদা ২০গী চাংদা রিভেরিফিকেসন তৌনবগী মতাংদা হায়জরকখিবা ৱাফম অমা কোর্টনা অয়াবা পীখিদে। বংলাদেশকা লোন্নবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা শোইবদগী অরানবা মীওই খরা লিষ্টতা য়াওরম্বা য়াই হায়না চিংনবা লৈবদগী সেন্টর অমসুং অসাম গভর্ণমেন্টনা চাদা ২০গী চাংদা সেম্পল রিভেরিফিকেসন তৌনবা হায়জরকখিবনি।

পনবা য়াবদি, সুপ্রিম কোর্টকী য়াথং মতুং ইন্না কুমজা ২০১৭কী দিসেম্বর ৩১ অমসুং কুমজা ২০১৮গী জনুৱারি ১গী লোন্নবা অহিংদা এন আর সিগী অহানবা ড্রাফ লিষ্ট ফোঙখিবনি। অহানবা লিষ্টতা অসামগী অপুনবা মীওই ক্রোর ৩.২৯গী মনুংদা মীওই ক্রোর ১.৯গী মিং য়াওখি।

মমাঙগী চহী চা হৌগৎলকপদা য়ুমলোন্নবা বংলাদেশতগী অয়াবা য়াওদনা মীতোপ কয়া লোন্না চঙশিল্লকখিবা মরম্না অসামদা মীতোপ্না মশিং হেনগৎলকপা য়াবগী ফিভম লাক্লবা মতুংদা খ্বাইদগী অহানবা ওইনা কুমজা ১৯৫১দা এন আর সি ফোঙখি।

# দিসক্কালিফাই তৌখ্রবা কর্নাটকাগী এম এল এশিংনা অথুবা মতমদা হিয়রিং চত্থবীনবা কোর্টতা হায়জখ্রে






ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১৩ (এজেন্সী): কর্নাটকাগী রেবেল এম এল এশিংগী হিয়রিং অথুবা মতমদা চত্থবা য়ানবগীদমক কোর্টকী রেজিষ্ট্রারদা মরী লৈনবা চে-চাং পীশিল্লক্লবা সুপ্রিম কোর্টনা কোংগ্রেস অমসুং জনতা দল সেক্যুলরগী রেবেল এম এল এশিংদা খঙহনখ্রে।

জষ্টিস অরুন মিশ্রানা লুচিংবা বেঞ্চ অমনা রেবেল এম এল এশিংগী মায়কৈদা লেপ্লিবা সিনিয়র এদভোকেট মুকুল রোহাতগিদা হায়খি মদুদি, অথুবা মতমদা হিয়রিং চত্থবা য়ানবগীদমক কোর্টকী রেজিষ্ট্রারদা মেমো পীশিল্লকপা মথৌ তাই। এম এল এ পুম্নমক দিসক্কালিফাই তৌখ্রবা মরম্না তঙাইফদনা ওগষ্ট ১৯দা হিয়রিং চত্থবিয়ু হায়না রোহাতগিনা কোর্টতা হায়জখিবনি।

জুলাই ২৯দা মতমদুগী চীফ মিনিষ্টর ঐচ দি কুমারস্বামীনা পুখৎলকপা কনফিদেন্স মোসনগী ভোট লৌনরমদাইদা রেবেল এম এল এ ১৬ দিসক্কালিফাই তৌখিবনি। এসেম্বলীগী লৈমায়দা পাঙথোকখিবা পাঙ্গল চাংয়েংদা কুমারস্বামী মায়থীখিবগা লোয়ননা বি এস য়েদিয়ুরপ্পাগী লিচিং মখাদা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অমা শেমখিবনি।

জুলাই ২৮দা কর্নাটকাগী স্পিকর কে আর রমেসকুমারনা এন্টি-দিফেক্সন লোগী মখাদা রেবেল এম এল এ ১৪ দিসক্কালিফাই তৌখি। দিসক্কালিফাই তৌখ্রবা এম এল এশিং কুমজা ২০২৩দা টার্ম লোইগদৌরিবা এসেম্বলীগী মীফমদা অমুক হন্না য়াওবা য়াররোই।

চীফ মিনিষ্টর বি এস য়েদিয়ুরপ্পানা এসেম্বলীদা কনফিদেন্স মোসন পুখৎকদবা নোংমা ৱাৎলিঙৈদা স্পিকরনা লেমহৌরিবা রেবেল এম এল এ ১৪ দিসক্কালিফাই তৌখিবনি। দিসক্কালিফাই তৌখ্রবা এম এল এশিংগী মনুংদা কোংগ্রেসকী ১১ অমসুং জে দি এসকী ৩ য়াওরি।

কোংগ্রেসকী এম এল এশিং অদুদি, প্রতাপ গৌদা পতিল, বি সি পতিল, এস টি সোমাসেখর, সিবরাম হেবার, বি এ বসবরাজা, অনন্দ সিংহ, আর রোসন বেগ, মুনি রত্না নাইদু, কে সুধাকর, এম টি বি নাগরাজ অমসুং শ্রিমন্ত পতিলনি। জে দি এসকী দিসক্কালিফাই তৌখ্রবা এম এল এশিং অদুনা এ ঐচ বিশ্বানাথ, কে সি নারায়না গৌদা অমসুং কে গোপাললয়ানি।

কোংগ্রেস অমদি জে দি এসনা ফাইল তৌরকপা পিটিসনদা য়ুম্ফম ওইরগা এম এল এশিং দিসক্কালিফাই তৌখিবনি হায়না স্পিকর রোমেসকুমারনা ফোঙদোকখি। জুলাই ২৫দা স্পিকরনা রেবেল এম এল এ অহুম দিসক্কালিফাই তৌখি। কোংগ্রেস অমসুং জে দি এসকী স্পিকরদা পিটিসন অমা ফাইল তৌদুনা রেবেল এম এল এশিং অদুগী মায়োক্তা ৱাকৎ অমা থাঙ্গৎখি। অদুম ওইনমক এম এল এ পুম্নমক জুলাই ২৯দা পাঙথোকখিবা থাজবগী ভোটলৌনবদা শরুক য়াহনখি।

# এন এল এফ টি (এস দি)গী মিলিটেন্ট ৮৮ সরেন্দর তৌরকখ্রে




অগরটলা, ওগষ্ট ১৩ (এজেন্সী): নেসনল লিবরেসন ফ্রান্ট ওফ ত্রিপুরা (এন এল এফ টি)গী মিলিটেন্ট ৮৮ ত্রিপুরাগী চীফ মিনিষ্টর বিপ্লপ কুমার দেবতা খুৎলায় থাদোক্তুনা চঙজরকখ্রে।

ত্রিপুরাগী ধলাই দিষ্ট্রিক্ট মনুং চনবা অম্বাসাদা লৈবা চন্দ্রাইপারা হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা ঙসি সবির কুমার দেব বর্ম্মনা লুচিংবা এন এল এফ টিগী লালহৌবশিংনা খুৎলায় থাদোক্তুনা চঙজরকখি।

মিলিটেন্টশিংনা চীফ মিনিষ্টরদা কারবাইন ৩, মোরটার ১, ইচম চম্বা নোংমৈ ১, ৭.৬২ এম এমগী এস এল আর ৬, চাইনিজ রাইফল ৪, সিঙ্গল বোর গন ১, ৩০৩ রাইফল ১৯, এম ২০ পিষ্টোল ৪, ৱায়রলেস সেট ৯ অমসুং য়াল্লবা নোংমৈ মরু কয়ামরুম খুৎশিন্নরকখি।

হৌখিবা ইরাই নুমিৎতা লালহৌলুপ অসিনা খুৎলায় থাদোক্তুনা মহৌশাগী পুন্সিদা হল্লক্লগনি হায়না অয়াবা পীখিবদগী ইরাই নুমিৎতা সেন্টরনা মেমোরেন্দম ওফ সেটলমেন্ট এন এল এফ টিগা য়ানা চেখুৎয়েক পীনখ্রবনি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংখিবদা চীফ মিনিষ্টর বিপ্লপ কুমার দেবনা হায়খি, ত্রিপুরাগী ওইনা অরানবা লম্বীদা খোঙ থাংজিল্লুরবা ত্রাইবেল মীওই খরা প্রাইম মিনিষ্টরগী মফমদা থাজবা থম্লকপদগী খুৎলায় থাদোক্তুনা মহৌশাগী পুন্সিদা হঞ্জিল্লক্লে। বি জে পি লৈঙাক্লা ত্রাইবেল মীয়ামগী পুন্সি মহিং অমসুং শেল-থুমগী ফিভম ফগৎহন্নবা হোৎনরগনি।

ত্রাইবেল এরিয়াশিংদা লম্বী-থোং শেমগৎনবা লুপা ক্রোর ১,৬০০ কাইথরক্লগনি হায়না পল্লদুনা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, মমাঙগী লৈঙাক্লা করিগুম্বা মখলগী থৌরাং অমত্তা লৌখৎলমদবা মরম্না মফম খুদিংমক্তা নীংবা থুংদবদগী খোল্লাউলাকখিবনি।

তোঙান-তোঙানবা থৌদোক ৩১৭তা চেন্নবা এন এল এফ টিনা কুমজা ২০০৫দগী কুমজা ২০১৫ ফাওবা হৌরকখিবা ঈহৌদা সিক্যুরিটি পার্সনেল ২৮ অমসুং মীচম ৬২ শীখ্রে। কুমজা ২০১৫দা ইং তপ্পা পুরক্লবগী ৱারী শান্নবা হৌখ্রবা মতুংদা লুপ অসিনা হিংশাগী থৌওং চত্থবা লেপখি হায়রি।

# কর্নাটকাগী ঈচাওদা শীখিবা মীওই ৪৮ শুখ্রে, ১৬ থিবা খঙদ্রি



বেঙ্গালুরু, ওগষ্ট ১৩ (এজেন্সী): কর্নাটকাদা ঈচাওনা মরম ওইরগা শীখিবা মীওই ৪৮ শুরে অমসুং হৌজিক ফাওবা মীওই ১৬ থিবা খঙদ্রি হায়না গভর্ণমেন্টনা ফোঙদোকখ্রে।

ষ্টেটকী তোঙান-তোঙানবা মফমদা মীওই লাখ ৭ রোম ময়ুম মকৈ হোংদোকহনখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা মীওই লাখ ৪ রোম রিলিফ সেন্টরশিংদা চঙজফম লৌদুনা লৈরি।

ইন্দিয়ান মেটিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট (আই এম দি)গী রিপোর্ট মতুং ইন্না লাক্কদৌরিবা নুমিৎ খরনিগী মনুংদা নোংজুগী চাং হন্থরক্লগনি। খ্বাইদগী ফিভম শোক্লবা কর্নাটকাগী বেলাগারি দিষ্ট্রিক্টতা মীওই ৩১ শীখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা মীওই লাখ ৩ রোম ময়ুম মকৈ লৈহনখিদ্রে।

চীফ মিনিষ্টর বি এস য়েদিয়ুরপ্পানা অমাং অতা থোক্লবা ষ্টেট অসি নৌনা শেমগৎ শাগৎনবগীদমক লুপা ক্রোর ১০০০ পীবিনবা সেন্টরদা হায়জখি। ঈচাওগী অৱাবা মায়োক্লবা সিবমোগা দিষ্ট্রিক্টকী হেগালাতি খুঙ্গংদা চীফ মিনিষ্টরনা ঈচাওগী ফিভম য়েংশিনখিবগা লোয়ননা অৱাবা তারবা লৌমীশিংদা অঙম্বা মতেং পাঙগনি হায়না হায়না থাজবা পীখি।

নুমিৎ ৪-৫নিগী মতুংদা ফোরেষ্ট অমদি রভেন্যুগী ওফিসলশিংনা মফম কয়াদা চৎতুনা কয়া য়াম্না অমাং অতা থোকখ্রবগে হায়বগী মতাংদা সর্ভে পাঙথোক্লগা কম্পেনসেসন পীনবা থৌরাং লৌখৎকনি হায়না চীফ মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

হন্দক্ক ঈচাও অসিদা কর্নাটকাগী ওইনা লুপা ক্রোর ৬০০০ রোম মাং তাকহনবা লৈখ্রবনি। ওথোরিটিশিংনা হায়খি, কেটচমেন এরিয়াশিংদা নোং কন্না চুখিদবা মরম্না দামদা ঈশিং চেনশিল্লকপগী চাং হন্থখি। অদুম ওইনমক ষ্টেট অসিগী রিজার্ভর পুম্নমক থল্লে হায়রি। হৌজিক হৌজিক আর্মি, এয়রফোর্স, নেভি, নেসনল দিজাষ্টর রেস্পোন্স ফোর্স (এন দি আর এফ), ষ্টেট দিজাষ্টর রেস্পোন্স ফোর্স (এস দি আর এফ) অমসুং হোম গার্দনা ষ্টেটকী মফম কয়াদা মী কনবা অমদি মতেং পাঙবগী থবক পায়খৎলি। চীফ মিনিষ্টর বি এস য়েদিয়ুরপ্পানা ঙসি সিবামোগ দিষ্ট্রিক্টতা ঈচাওগী ফিভম য়েংশিন্দুনা মীয়ামগী মতেং পাঙনবা থৌরাং লৌখৎখি।



## ꯑꯔꯥꯕ ꯐꯣꯡꯗꯣꯛꯄ/ অৱাবা ফোঙদোকপা



ওল মণিপুর ইলেক্ট্রিসিটি দিপার্টমেন্ট কন্ট্রেক্টরস এন্দ সপ্লাইয়রস এসোসিএসন (ঈ সী এস এ) গী এক্টিভ মেম্বর ওইবিরম্বা ওঙনাম মনাওবী সিংহনা হৌখিবা ওগষ্টকী তাং ১২/৮/২০১৯ ইংগী নিংথৌকাবা নুমিৎতা মশাগী অনাবা অমনা মরম ওইদুনা লৈখিদ্রে।

লৈখিদ্রবগী থৱায়না তাইবঙ মপুগী খুয়াখাদা ঈংনা-চিক্লা লৈজরুনবগীদমক্তা এসোসিএসনগী মেম্বরশিংনা মিনিট ২ (অনী) তুমিন্না লেপ্পুনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে।

HL-P/3708/14



# কোর্টনা জে এন্দ কেগী মতাংদা খুৎ থিংজিল্লোই হায়খ্রে



ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১৩ (এজেন্সী): জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী মতাংদা থাঙ্গৎলকপা পিটিসন অমা হিয়রিং চত্থরবা মতুংদা সুপ্রিম কোর্টনা হিরম অসিদা খুৎ থিংজিনবা তৌরোই অমসুং ৱায়েল পীরোই হায়না ফোঙদোকখ্রে।

অদুম ওইনমক খুদোংথিনিংঙাই ওইরকপা মরম্না মীশি মীনা থোকহন্দনবা মতিক চাবা থৌরাং লৌখৎকদবনি হায়না সেন্টরদা খঙহনখি। ওগষ্ট ৫দা ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ৩৭০ লৌথোকখিবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা লৈঙাক্কীদমক্তুদি কোর্টনা পীরক্লিবা ৱায়েল অসি অফবা খুদম অমনি হায়না লৌনরি।

ওক্টোবর ৩১দগী হৌনা জম্মু এন্দ কাশ্মিরবু য়ুনিয়ন টেরিটোরিগী থাক্তা শরুক অনী থোক্লা খাইদোকপগী থৌরাং চৎনবা হৌরগনি। পার্লিয়ামেন্টনা হিরম অসিগী মতাংদা মতিক চাবা লো অমা পাস তৌখ্রে।

জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা ইন্দিয়ান পেনাল কোদকী সেক্সন ১৪৪গী মখাদা অথিংবা থম্লিবা অমসুং মোবাইল, ইন্টর্নেট থিংবগী থৌওং খোঙফম হন্দোকপীয়ু হায়না টেহসিন পুনাৱালা কৌবা মীওই অমনা ফাইল তৌরকখিবা পিটিসনগী মতাংদা এটোর্নি জেনরেল কে কে ভেনুগোপালনা হায়খি, নুমিৎ খুদিংগী জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা ওইরক্লিবা ফিভম কুপ্ন য়েংশিলল্লি। ইং তপ্পা পুরক্লবা হোৎনবদা মতম খরা চঙবা য়াই হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, সেন্টরনা জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা স্পেসল ষ্টেটস পীরিবা কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ৩৭০ লৌথোকখিবগী থৌওং অদু কন্সটিট্যুসনগী মায়োক্তনি হায়না কোংগ্রেসকী লুচিংবী প্রিয়াঙ্কা বদ্রানা ফোঙদোকখ্রে।

# ইন্দিয়নশিং হোংকোংদা চৎতনবা চেকশিন ৱারোল পীখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১৩ (এজেন্সী): মীয়ামগী অকনবা ইহৌ হৌরক্তুনা ইন্টর্নেসনল এয়রপোর্টতা অপনবা থোকখ্রবা হোংকোংদা ইন্দিয়ন অমত্তা চৎতনবা চেকশিন ৱারোল পীখ্রে।

মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফেয়র্সনা থাদোরকখিবা ৱারোল অমা পল্লদুনা এজেন্সিগী পাউনা হায়, মীয়ামগী ইহৌনা মরম ওইরগা হোংকোংদা ফ্লাইট কয়ামরুম কেন্সেল তৌবা য়ানা লৈরে। মহৌশাগী ফিভমদা হঞ্জিল্লক্ত্রিবা মফম অদুদা ইন্দিয়ন অমত্তা চৎলোইদবনি।

কনাগুম্বনা হোংকোং ফাওরগা চৎগদবা লৈরবসু অতোপ্পা ফ্লাইট তোংদুনা য়ারিবমখৈ লৈবাক অসি ফাওদনবা হোৎনগদবনি হায়রি।

মীয়ামগী ইহৌনা মরম ওইরগা হোংকোংদা ঙরাং ফ্লাইট কয়ামরুম কেন্সেল তৌখি। দিমোক্রেসি শাগৎপা মীওই লিশিং কয়ানা চঙশিল্লকখিবা খোঙজংনা মরম ওইরগা এয়রপোর্টকী থবক থৌরম পুম্নমক লেপখিবন।

ঙসি অয়ুক এয়রপোর্ট হাংদোকখিবা তারবসু ফ্লাইট চা কয়ামরুম কেন্সেল তৌবা তাখি। মতম শাংনা হোংকোংদা পন্দুনা লৈরকখিবা মীওইশিংনা অথুবা ফ্লাইট অমা তোংলগা অতোপ্পা মফম অমদা চৎখিনবা থৌরাং তৌরি।



GOVERNMENT OF MANIPUR
OFFICE OF THE PRINCIPAL
D.M.COLLEGE OF TEACHER EDUCATION, IMPHAL
--

**ADMISSION NOTICE FOR M.ED. COURSE**

Imphal, the 9th August, 2019

No. 302/1/09-TE: It is hereby notified for general information that the prospectus and application forms for admission to M.Ed. course in the D. M. College of Teacher Education, Imphal for the session 2019 – 2021 can be had from the college office on all working days upto 3 p.m. on the dates mentioned below:-

1. Date of issue and submission of application forms : **14th to 31st August, 2019**
2. Issue of Admit Card : **3rd to 5th September, 2019**
3. Date of Entrance Exam: **8th September, 2019 ( Sunday )**

Sd/- Dr. H. Ibomcha Sharma
Principal
D. M. College of Teacher Education,
Imphal.

HL-P/3705/14

## ꯃꯥꯡ/DOCUMENT LOST

I have lost my Original Certificate, Marksheet and Migration Certificate of Higher Secondary Examination (Science) bearing Roll No. 15967 of 2016 issued by COHSEM on the way between Keishamthong Thangjam Leirak and Keishampat on 10/08/2019.

Finders are requested to handover the same to the undersigned.

**Sd/- Heisnam Rohit**
Keishamthong Thangjam Leirak, # 9856530611

HL-P/3707/14

GOVERNMENT OF MANIPUR
DIRECTORATE OF VETY. & A.H. SERVICES
-----

**NOTIFICATION**

Imphal, the 9th August, 2019

**No. VFA/TRG/2019-Vety.** : Applications from intending candidates are invited for undergoing 1 (one) year Veterinary Field Assistant Training Course at Veterinary Field Assistant Training Centre, Khumbong for the academic session, 2019-20. The prescribed application form shall be available on payment of Rs. 300/- (Rupees three hundred) only from the Directorate of Veterinary & A.H. Services, Manipur w.e.f. 14/08/2019. The duly filled up prescribed application form along with the required testimonials/certificates and a Demand Draft for a value of Rs. 600/- (Rupees Six hundred) only for General and OBC Candidates and Rs. 400/- (Rupees four hundred) only for SC/ST Candidates from any Nationalized Bank drawn in favour of the Director, Vety. & A.H. Services, Manipur being the Examination Fee should be submitted on or before 26/08/2019 as detailed below.

| Particulars | | Date | |
|---|---|---|---|
| Issue of Application Form | : | 14th August to 24th August, 2019 (on working days) | (10:30 AM to 4:00 PM) |
| Submission of Application Form | : | 21st August to 26th August, 2019 (on working days) | (10:30 AM to 4:00 PM) |
| Issue of Admit Card | : | 30th August & 31st August, 2019 | (10:30 AM to 4:00 PM) |

The Entrance Test shall be held on **Sunday, the 1st September, 2019**. The venue and time of the Examination shall be given at the time of issue of admit card.

**Eligibility:**

- Candidates should pass Class-XII (10+2) Science or Equivalent Examination in the subjects - Physics, Chemistry & Biology from a recognized Board/ Council.
- Candidate should attain 17 years and shall not exceed 25 years of age as on 1st July, 2019. However, the upper age limit is relaxable for 3 (three) years in respect of ST/SC/OBC candidates.

Sd/- H. Chaoba Singh
Director, Vety. & A.H. Services,
Manipur.
Imphal, the 9th August, 2019

HL-P/3598/13,14

MANIPUR UNIVERSITY
Canchipur, Imphal – 795003
**Manipur, India**

NOTIFICATION
Dated the 6th August, 2019

No. MU/Cash/120/E-payment/2019: It is hereby notified to all concerned Colleges affiliated under Manipur University that Manipur University has already implemented digital payment facility for admission and fee payment of students from the academic session, 2019-2020 in the website www.manipuruniv.ac and through use of mobile Apps #eduQfix.

As part of its digital payment initiative, an earlier notice no MU/Cash/120/E-payment/2016-17 dated 5th July 2019 was also issued directing all affiliated colleges to deposit their fees through e-transfer or Demand Draft in favour of "Registrar, Manipur University" to a Manipur University designated Bank. However it has been observed that colleges are still depositing huge amount of cash directly at the Bank Counter. In this regard, I am to re-iterate regarding depositing of the fees either through e-transfer or demand draft. As all colleges have their official accounts, the same may be transferred from their respective bank accounts.

Further, for e-transfer of fund the revised Bank Details are:

**HDFC MU Fee Account No. 50100302970582 IFSC Code HDFC0001999.**

The above directives may be strictly complied to.

Sd/-Jarnail Singh
Vice Chancellor, Manipur University

HL-B/5605/14

## ꯑꯔꯥꯕ ꯐꯣꯡꯗꯣꯛꯆꯕ/ অৱাবা ফোঙদোকচবা



য়ুনিভর্সেল ফেমিলি ওর্গনাইজেসনগী সেন্ট্রেল দিভিজনগী গভনর ওইনা অমদি ওর্গনাইজেসন অসিগী অচৌবা থৌগাই পুবিরম্বা কাংজম মহেন্দ্রা মঙাং ক্বাকৈথেল ময়ায় কোয়বীদা লৈবনা হৌখিবা তাং ১০/০৮/২০১৯ থাংজ, কোরৌ নুমিৎকী লুৱাং কুরু পুন্সিবগী শিন্থা পাংলিঙৈ, লম্বীগী খুদোংথীবা থৌদোক অমদা নমু সনা হকচাং, ইমুং-মনুং, কৈরোয় লৈকায় অমদি ওর্গনাইজেসন অসিবু থাদোকপীরম্লগা তাইবঙপান মপুগী অনৌবা শিন্থা পাংনবা, থৱায় য়াইবীরেল শিদবনা নোংদোন থক্তা নোংঙ্গাখ্রে।

থৌবুরেল কাংজম মহেন্দ্রা মঙাংনা নোঙ্গাখ্রবদা ওর্গনাইজেসন অসিগী ময়ায় লোইশঙ তাওবুংখোক ইম্ফাল ৱেষ্টতা মিনিট অনী পরৈ চংনদুনা তাইবঙপান মপুগী অনৌবা মপোক অমুক হন্না ফংজদুনা ইমুং-মনুং অমদি ওর্গনাইজেসনগী লোইরমদবা শিন্থাশিং অমুক হন্না পাংবীরনবা থৌনি পরৈ চংবগা লোয়ননা ইমুং-মনুংগী অৱাবদা শরুক য়ামিন্নখ্রে।

হায়জরিবা - নাওরেম কবিচন্দ্র মঙাং
জেনরেল সেক্রেটরি পব্লিসিটি
য়ুনিভর্সেল ফেমিলি ওর্গনাইজেসন

HL-P/3709/14